থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# উমং কনবগী মীফম অমা য়াওরুগৈ

ইরিলবুংগী ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিস; ওকেশ্বর-হোমেশ্বর-ত্রষ্ট, লাংমৈদোং; লিগেল এইদ ক্লিনিক, হিয়াংলম; মণিপুর ভোলুন্টরি হেল্থ এসোসিএসন অমসুং ইরিলবুং মৈরা পায়বী - লূপ'না শীনমিন্নদুনা ফেব্রুৱারী ৭, ২০২১ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং অমা তাবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা ষ্টেক-হোল্ডরশিংগগী মরক্তা ইন্টর-এক্সন-প্রোগ্রাম অমা ইরিলবুং ক্লব লম্পাক্তা পাঙথোকখি। দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস (সেন্ত্রেল), মন্ত্রিপুখ্রি'না স্পোন্সর তৌবনি।

থৌরম অদুদা ঐবুসু ষ্টেকহোল্ডর অমা ওইনা য়াওবীরনবা, মরু ওইবা অশিন অরাং তৌরিবা, লাংমৈদোংগী ইয়াম্বা 'ঙৌবা থৌনা' না চেবাউ অমা পীরকপদগী য়াওরুবনি। এনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন প্রোগ্রাম অমা ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইবনা, য়াওদ'-য়াদবা থৌরম অমনি খন্দুনা ঐহাক্কী চিল্লবা সিদ্যুল মরক্তুদা পুং অমদগী অহুম ফাওবা অখন্ননা কাইথোক্তুনা য়াওরুই। য়াওরুদ্রিগৈ থোইনা খল্লমদে - প্রোগ্রাম অদু কয়ামুক মরু ওইবনো? খুঞ্জা-নুপী-অঙাং খরগা ঙাইহাক পূনমিন্নদুনা অখঙ-অহৈ খরা কৌদুনা ৱাহং-পাউহং খরা তৌনবা, লাইনীং-লাইশোন থৌরমগুম্বা, রুটিন-প্রোগ্রাম অমা ওইরমগনি খন্দোক্লুই। অদুবু, য়াওরুরগা খঙলকই ... অসিগুম্বা থৌরম, মফম চানা, মতম চানা লৈরক-খুল্লক, সহর-খুঙ্গং শীনবা থুংনা তোয়না পাঙথোকখিদবগী মহয়নি - মহৌশাগী খল কায়থরক্তুনা মালেম অসিদা থৱায় পানবশিংনা হিংবা ৱারবা তাইবঙ অমা ওইরক্লিবা।

উমং কনসি, উ থাসি, উ য়ানথৎকুমসি, উ অমা য়াল্লবদি অনৌবা উপাল অনী থাজিল্লু ... হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউরক্লিবা, ঙসি-ঙরাংখক্তদগী নত্তে, চহী কয়াদগীনি। ঐখোয়গী লৈবাকসিখক্তদসু নত্তে, মালেম পূম্নমকসিদনি। হায়বা ইন্দবা, লমকেৎপা মী লৈরিবসি ঐখোয়গী লৈবাকসিদখক্তরা? নৎলমদে। মফম খুদিং লৈরম্মী। মরম অসি লৈবননি - গ্লোবল ৱার্মিং (মালেমগী অশাবা হেনগৎপা) অচৌবা ইস্যু ওইরক্লিবা! মালেমসিবু নুমিৎকী অকনবা মৈশাদগী ঙাকথোক্তুনা মৈরি ওইনা চাকথোকখিগদবদগী কল্লিবা এটমোসফিয়রসিগী ওজেন-লেয়র পাথরকপা/হোহল্লকপগী অকিবা লৈরক্লিবা! উনগী অচৌ অচৌবা চীংজাও (গ্লেসিয়র) শৌদোরক্তুনা মালেমগী অয়াম্বা কংফালগী শরুকসি ঈরোন্নুংদা লূপখ্রগনি কিনরিবা! ঙরাং-নহান্তনি, উত্তরখন্দগী চীংদোন্দগী উনপাক (গ্লেসিয়র) অমা শৌদোরক্তুনা খুনপাক অমা চেন্থখিদুনা মমল য়াল্লবা থৱায় কয়া মাঙখিবগী পাউ তাখিবা। চপ-চানা মীওই কয়া শিখ্রবা, ঙসিসু হায়বা ঙমদরি। অশিবা হকচাং থিবগী থবক চথুরি। নাগালেন্দ'দা চাকপা লম্মৈনা মণিপুরদা লানশিল্লক্তুনা জুকো তম্পাক য়ৌরকখিবা, নুমিৎ কয়ানি মৈ-মূখুৎপা ঙমখিদবা - মীয়াম্না তানখিবদুনি। লম্মৈদুনা মাঙহন তাকহনখিবা উমংদুনা অকোয়বদা লৈরিবা মীশিংদুগী পুন্সিদা পীরক্কদবা চৈথেংদুদি, হৌজিক খুদক্তা খঙগদবসু নত্তে। ঐহাক, ইচা অমদি ইশু ফাওবগী মীরোল অদু ফাওবনি চৈনাসিগী চৈথেং ফংদৌরিবা। লম্মৈনা চাকখিবা উমং অমদি খুঙ্গং অদুগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামদুখক্তদা পীরক্কদবসু নত্তে চৈথেংদু।

খুঞ্জাশিং (ষ্টেক হোল্ডরশিং) দুগী ৱাহং। ফোরেষ্ট ওফিসর/এক্সপার্টশিংগী পাউখুম। প্রোগ্রাম অদুগী মচং ওইবা শক্লোন'নি। রিজর্ব ফোরেষ্ট হায়বা অসি করিনো? অন-রিজর্ব ফোরেষ্ট'না করম্বনো? প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট হায়বসিনা করি? ফোরেষ্ট এরিয়া অমবু কনাগুম্বা অমগী প্রাইভেট প্রোপর্টি ওইবা য়াবরা? লেন্দ সেট্টলমেন্ট ওফিস'কা, ফোরেষ্ট লেন্দগা করম্না মরী লৈনবগে? ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা মীচম-মীয়ামগা হেক হেক উংখৎনবা/খৎন-চৈনবা থোরক্লিবসি করিদগীনো? করম্না থোকহল্লোইদগে? ফোরেষ্টকী পোত্থোক কনাগীনো? উমংগী করম্বা শরুক্তা করম্না খুন্দা-লৈতাবা য়াগদগে? ... অসিনচিংবা লেইনাইদ্রবা ৱাহং কয়ানি ষ্টেক হোল্ডর-মীয়ামদগী লাকখিবা। মতম কয়াদগী ফুম্বংননা লাক্লবা থম্মোয়বু মীকূপ খরদুদা করম্নদি পেলহনবা ঙমগনি? অপেনবা খরা, পেন্দবা খরা লৈহৌবা তাবনি। শাংলবা পুন্সি খোঙচৎসিদবু নীংবা থুংনা পুন্সি লোমখিবা কনাবু য়াওবগে অৱাবা শঙবাই, নুংঙাইবা মেরুক অমা কোকথোংনরিবা পুন্সি ঙাক্তনি মীওইবা। অশেংবা নুংঙাইবা হায়বদুদি মহৌশা লাইরেম্বীগী মতমপাক্তা, মহৌশাগী খূৎশেম ময়ামসিগা য়াওনমিন্নদুনা হিংবা পুন্সি অদুনি। অদুবু, মদু খঙনবা হিংবা ঙমখিবা, পুন্সি মশক খঙবা মীওইববু কনানো? খূৎ থেক্তুনা পাবা য়াগনি।

ময়াম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? অহাঙবা মালংদা হিংনবগীদমক খ্বাইদগী তাঙলবা, তঙাইফদবা নুংশিৎ (ওক্সজেন) - মমল পীদনা ফংলিবা! কনাগী খূদোলনো? মী লল্লোনবা মখোয়নদি হায়রক্কনি - ঈশ্বর মাগী খুদোলনি। মালংবা (নুংশিৎ) তা য়াওরিবা 'ওক্সিজেন' গী শরুক অদুসু শুপ্পগী চাদ কুনমাথোই খক্তনি। কুনমাথোইদুনি মালেমসিদা হিংমিন্নরিবা শা-ঙা-উচেক-ৱায়া-মীওইবা ঐখোয় পূম্নমক্না য়েন্নদুনা হিংমিন্নরিবা। অদুগুম্বা 'ওক্সিজেন' দুবু শুংলিবা চাউরবা 'নেচরেল-ফেক্টরি' (মেন্যুফেকচরর) অমনি। মালেমসিগী উমং, ফোরেষ্ট! চাদ-থক্তনদি কোরৌ কয়ানি হিংবা য়াই, নিংশা শ্বর হোন্দনা (নাতোন-চীন মেনশিল্লাগা) দি মীকূপ খরখক্তনি হিংঙমগদবা! ঐখোয়গী চিঞ্জাক ওইরিবা লেন্লে-ঙা অদুসু লাইজ-ঈশিংদুদা য়াওরিবা ওক্সিজেন অদু লৌশিল্লগা হিংবনি। মালেমদা লৈরিবা ঈশিংদুসু অতিয়াথক্তা তিল্লুরগা ওক্সিজেন অদু লৌরুবনি। অশঙবা উপাল-ৱাপাল অসি লৈরমদ্রবা! মালংবনা কদায়দগী ওক্সিজেন? অদুনা, হে মীওইবা! অদোম্না উসা অমা য়াম্থৎলুবা নৎত্রগা পিল্লিবা উ পাম্বী অমা ফূক্তত্তুনা মাঙহল্লুবা মীকূপ্তা অসিমত্তং নীংশিংবীয়ু - অদোম্না অদোমগী হিংফম থোকপা পুন্সিগী কোরৌ খরা ইখূৎমক্না মাঙহনখ্রবনি।

লৌশিং পুক্কে

# ওর্গানিক ওইবা চীঞ্জাক্না

## অতৈ চীঞ্জাকশিংদগী হেন্না ফবরা? সাইন্সনা করি হায়রি!-১

চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা তৌনবগুম ঐখোয়গী লমদম অসিদসু ওর্গানিককী চীঞ্জাকশিং পাম্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ওর্গানিককী চীঞ্জাকশিং পাম্নবগী মরমসু তোঙান তোঙাল্লি। মীওই খরগী ওইনদি ওর্গানিক হায়রগদি হকচাংদা হেন্না কান্নবা নৎত্রগা মচি ওইবা হেনবা হায়বনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই খরগীনা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা, নৎত্রগা মহাউ হেন্না লৈবগী ওইবা য়াই। মসিনা হেন্না ফবা ওইবা য়াই নৎত্রগা মমল হেন্না তাঙবগী ওইবসু য়াই। অদুবু ওর্গানিককী চীঞ্জাকশিং অসি ঐখোয়না খল্লিবা অসি য়ৌনা ফবা নত্তে হায়না উৎপা সাইন্টিফিক ষ্টদিশিং অমদি রিপোর্ট কয়াগী মশিংদি হেনগৎলক্লি।

ঐখোয়না নীংশিংগদবা ৱাফম অমা হায়রগদি মমল হেনবা পোৎনা হেন্না ফগনি হায়বসি অরানবা ৱাফমনি হায়বসিনি। কুমজা ২০১০দা ওর্গানিক ফুদ ইন্দষ্ট্রি অসি দোল্লর বিল্লিয়ন ২৯দা এষ্টিমেট তৌখি। মসিগী মতুংদগী চহী খুদিংগী চাদা ১০গী চাংদা হেনগৎলক্লি। মসিনা তাকপদি হকচাংদা হেন্না কান্নবা ইনভাইরনমেন্টতসু হেন্না ফবা চীঞ্জাক কনানা পাল্লোইদগে হায়বসিনি। অদুবু ইকোনোমিক্সলোমদা অমুক য়েংসি। কঞ্জুমর রিপোর্ট এনালাইসিস অমদা, চাংচত্তা ওর্গানিক চীঞ্জাকশিং অসি অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিংদগী চাদা ৪৭কী চাংদা মমল তাঙবা হেনবা থেংনখি। ওর্গানিক চীঞ্জাকশিং পুথোক্নবা হোৎনবদা চঙবা শেনফম অসি অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিংগীদগী খরা হেন্না চঙই হায়বসিদি অচুম্বনি। অদুবু নেসনেল একাদেমি ওফ সাইন্সেসকী প্রোসিদিংসতা চথুখিবা ষ্টদি অমদা থেংনখিবগী মতুংইন্না অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিং পুথোক্নবা হোৎনবদা চঙবা শেনফমদগী ওর্গানিক চীঞ্জাকশিংগীগা খেন্নরিবা অসি চাদা ৫-৭ খক্তংনি হায়রি। মরম অদুনা চীঞ্জাক মখল অনী অসিগী মমলদা লৈরিবা খেন্নবগী চাং অসি চানবা ওইদে। মসিনা তাকপদি রেগ্যুলর ফার্মিংদগী ওর্গানিক ফার্মিনা শেন্দোং হেন্না ফংই হায়বসিনি। অতোপ্পা ৱাহৈ অমদা হায়রগনা মমলদা য়েংলগদি ওর্গানিককী পোত্থোকশিং শীজিন্নরিবা অসি লগজরি অমা ওইরক্লে হায়বা য়াই।

ওর্গানিক চীঞ্জাক মরাঙ কায়না য়াওবা দাইট চাবনা হকচাংদা হেন্না কান্নবা ওইদে হায়বগী ইভিদেন্সশিংগী মশিং হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০০৯দা চথুখিবা মেটা-এনালাইসিস অমগী মতুংইন্না ওর্গানিক চীঞ্জাকশিংগা অতোপ্পা চীঞ্জাকশিংগগী মরক্তা মচী ওইবা পোৎলমশিং য়াওবগী চাংদা খেন্নবা লৈতে হায়রি। হায়রিবা ষ্টদি অসি ওর্গানিক চীঞ্জাক্তা ফোকস তৌবা অহানবা মেজর ওইবা ষ্টদিশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগী মতুংদদি রিসার্চর কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা নৈনবা হেনগৎলক্লি, অদুবু মখোয় খুদিংমক অদুগী রিজল্টতি চপ মান্নবা ওইরি। কুমজা ২০১২গী ষ্টদি অমদা ওর্গানিক্কী পোত্থোকশিংদা ফোস্ফোরসকী চাং খরা খজিক হেন্না য়াওবা থেংনখি, কুমজা ২০১৪গী ষ্টদি অমদনা ওর্গানিক চীঞ্জাকশিংদা এন্টিওক্সিদেন্টকী লেবেল ৱাংবা হেনবা অদুগা কেদমিয়ম লেবেলনা নেম্বা থেংনখি। মসি অফবা অমনি, অদুবু মসিদা ফংলিবা খেন্নবগী চাং অসিদি শিংথানিংঙাই ওইবা নত্তে, ফিভম অসিগা মমলদা খেন্নরিবা অদুগা চান্নবা ওইদে।

কুমজা ২০১২দা ষ্টেনফোর্দকী টিম অমনা ষ্টদি ২৪০বু এনালাইজ তৌখি। ষ্টদি অদুনা রিপোর্ট তৌখিবগী মতুংইন্না ওর্গানিক চীঞ্জাক অমসুং অতৈ চীঞ্জাকশিংনা হকশেলদা কান্নবা পীবগী চাংদা থোইদোক্না খেন্নবা লৈতে, লোয়নননা ভিটামিন য়াওবগী চাংদসু থোইদোকপা খেন্নবা থেংনখিদে। ফোস্ফোরস হায়রিবা ন্যুট্রিয়েন্ট অসিখক্তংদি ওর্গানিক্কী পোত্থোকশিংদনা মশক থোক্না চাং ৱাংবা হেল্লি। প্রোটিন অমসুং ফেট য়াওবগী চাংদসু মান্নৈ। অদুমকপু ওর্গানিককী শঙ্গোমদা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদগী চাংদি হেন্না য়াওই হায়না রিপোর্ট তৌখি।

ওর্গানিক এনিমেল ফার্মিং হায়বসি হেন্না ইথিকেল ওইবগা লোয়ননা শা-ঙাশিংনা হিংবদা হেন্না ফিভম ফহল্লি হায়বসিদি চিংননিংঙাই ওইদ্রবা ৱাফম অমনি। ওর্গানিক প্রিন্সিপলশিং অমসুং রেগ্যুলেসনশিংদা শাশিংবু য়োকপগী মওং অমদি মখোয়বু নুংঙাইনা থম্বগী মতাংদা ষ্ট্রিক ওইবা রুলশিং লৈ। অদুবু হায়রিবা ফিভম অসি মনা-মশিংশিংগী মতাংদা লাক্লবদি য়াম্না খেন্নৈ।

ওর্গানিক চীঞ্জাকশিংগী কান্নবশিংগী মতাংদা খ্বাইদগী হেন্না মীয়াম্না খন্না-নৈনরিবদি মখোয় অসি কেমিকেল পেষ্টিসাইদশিং অমত্তা য়াওদে হায়বসিনি। অদুবু কুমজা ২০১০গী ষ্টদি অমদা ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ খরদি মহৌশানা শীজিন্ননরিবা পেষ্টিসাইদশিং অসিদগী হেন্না ইনভাইরনমেন্টতা অমাঙবা ওইহল্লি হায়বা খঙখি। ওর্গানিক চীঞ্জাকশিং অসি পেষ্টিসাইদ (তীলহাৎ হীদাক) অমত্তা শীজিন্নদে হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজনৈ, অদুবু মসি অরানবনি। য়ুনাইটেদ কিংদমগী মেজর ওর্গানিক এক্রেদিটেসন বোদি অমা ওইরিবা সোইল এসোসিয়সননা কঞ্জুমরশিংদা মখোয়না করিগীদমক ওর্গানিক চীঞ্জাকশিং লৈরিবনো হায়না হংবদা কঞ্জুমরশিংগী চাদা ৯৫না খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি পেষ্টিসাইদ য়াওদবগীনি হায়খি হায়রি। ওর্গানিক চীঞ্জাকশিং অসি নন-জি এম ও (জিনেটিকেল্লি মোদিফাইদ ওর্গানিজম-নত্তবা) ওইবনা পাম্বী খরদি রেজিষ্টেন্ট নেম্মী (মশা মথন্তা লায়না-তিলনাদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বগী চাং নেম্বা), মরম অদুনা করিগুম্বা মতমদদি পেষ্টিসাইদশিং হেন্না শীজিন্নবা মথৌ তারকই (ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ ওইরগসু পেষ্টিসাইদতি অদুম্মক ওইরিবনি)। ওর্গানিক পেষ্টিসাইদশিংগা রেগ্যুলর পেষ্টিসাইদশিংগগী মরক্তা খেন্নবা কয়া থোইনা চাউনা লৈবা নত্তে। শেংনা হায়রগদি ওর্গানিক পেষ্টিসাইদশিং অসি মহৌশাগী ওইবা পোত্থোকশিংদগী শেম্বনি, মখোয় অসি প্রোসেস তৌদে, অদুবু করিগুম্বা মতমদদি রেগ্যুলর পেষ্টিসাইদশিংদা য়াওবা পোৎলমশিং অদুমক মখোয়দসু য়াওই।

# এম এস এফকী একাদেমিক কেম্পেয়ন ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী 'ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি' হায়বা একাদেমিক কেম্পেয়ন অসিগী ১৫রকশুবা থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা দি মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ডা. ধনবির লাইশ্রম, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. কোঞ্জেংবম অনন্দ, প্রিন্সিপাল মোইরাং কোলেজ, থাংজম দেবেন্দ্র, প্রিন্সিপাল দি মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল; সজাদ বুয়ামযুম, প্রসিদেন্ট মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) অমসুং এন জি মিলন, এদভাইজর এম এস এফনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এন জি মিলননা হায়খিবদা হৌজিক মণিপুরগী স্কুলশিংদা সিলেবস অমখক ফোলো তৌদুনা চাংদম্ন বদা ফেয়র ওইরক্লিবা অসি এম এস এফকী খুদোলনি। চথুরিবা একাদেমিক কেম্পেয়ন অসি ঐখোয় এম এস এফকী মেম্বরশিংগী নত্তে, ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগীনি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা অফবা অওনবা খুন্নাই অমা শেমগৎমিন্নরসি হায়খি।

সয়াজ বুয়ামযুম, প্রসিদেন্ট এম এস এফনা থৌরমগা মরী লৈননা হায়খিবদা এম এস এফনা হৌখিবা কুমজা ২০০৬কী ফেব্রুৱারী ৯দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমগী ৱারেপ লৌদুনা "ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি" হায়বা একাদেমিক কেম্পেয়ন অসি চথুরকপা হৌরকখিবনি। হায়রিবা কেম্পেয়ন অসিগী মখাদা চহী লিশাং শিৎনা মহৈরোয় খুন্নাইগী মহৈগী কাঙলোন অসিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং কয়া এম এস এফনা লৌদুনা লাকখি অমদি ঙসিসু লেপ্তুনা লৌরি।

মণিপুরগী কাচিন কোয়া, চীংয়া তময়াদা লৈবা মহৈ তম্ফমশঙশিং য়েংশিন্দুনা মান্নবা কাঙলোন অমগী মহৈকোলশিং ওইরক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। মান্নবা খুন্নাই অমগী মঙলান্দা মান্নবা মহৈগী কাঙলোন অমা লাক্লবা চঙশিনখিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা মান্নবা সিলেবসকী লাইরিক তমহনখিবা অসিমক এম এস এফনা চঙশিল্লক্লিবা একাদেমিক কেম্পেয়ন অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌবা য়াই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা একাদেমিক কেম্পেয়ন অসি হৌদোকখিবগী ১৫রকশুবা কুমওননা লাকপদা এম এস এফনা মণিপুরী মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংদা অমুক্কা হেন্না কেম্পেয়ন অসি মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙম্বগী থৌনা অদু নিজরি অমদি মতেংসু পাংবীয়ু হায়না নোল্লুকচরি হায়খি।

# কুমজা ২০২০দা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক ২৮৪ রোম থোকখি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী মতুংইন্না হৌখিবা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১দগীনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মফমদা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক ২৮৪ রোম থোকখি। মসিদা পূন্না লুপা ১৩,৮২,৫১,৭৫৯,৬৮গী মাল চাং মাঙ তাকহনখি হায়রি।

মণিপুর ফায়র সর্ভিসতগী ফংবা পাঙ্গী মতুংইন্না ইম্ফাল ফায়র ষ্টেসনননা চহী অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমদা মৈহৌ লাংপোকপকী থৌদোক ১২১ রোম মায়োক্লখি। মদুদা লুপা ৪,৪৬,১৩,৫৫২.৬৮ রোমগী মাল চাং মাঙ তাকখি।

বিষ্ণুপুর ফায়র ষ্টেসনননা তোঙান তোঙানবা মৈহৌ লাংপোক ১৬ রোম মায়োক্লখি। মদুদা লুপা ৫০,০৮,৪০২ রোমগী মাল চাং মাঙ তাকখি হায়রি।

মোরে ফায়র ষ্টেসনননা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমা মায়োক্লখি। অদুবু থোইনা অমাঙ অতাদি য়াওখিদে। মোইরাং ফায়র ষ্টেসনননা মৈ চাকপগী থৌদোক ১১ মায়োক্লখি। মদুদা লুপা ১২,১৫,১২২ রোমগী মাল চাং মাঙ তাকখি। থৌবাল ফায়র ষ্টেসনননা মৈ চাকপগী থৌদোক ৫১ মায়োক্লবগী মনুংদা মাঙখিবা ভেল্যুনা ১,৭৫,৭৯,৪৪৭ রোমনি হায়রি।

জিরিবাম ফায়র ষ্টেসনননা মৈ চাকপগী থৌদোক ৪ থেংনখি। মদুদা লুপা ৩৬,৯৯,৩৩১ রোমগী মাল চাং মাঙ তাকখি। কাংপোকপী ফায়র ষ্টেসনননা মৈ চাকপগী থৌদোক ৫ মায়োক্লখি। মদুদা মৈনা চাকপদগী লুপা লাখ ২৩.৫ রোমগী পোৎ চৈ মাঙ তাকখি। ময়াং ইম্ফাল ফায়র ষ্টেসনননা মৈ চাকপগী থৌদোক ৬ মায়োক্লখি। মদুদা লুপা ১,০১,২৪,৭৫০ রোমগী মাল চাং মাঙ তাকখি। চুড়াচান্দপুর ফায়র ষ্টেসনননা থৌদোক ৭, চান্দেলনা থৌদোক ৮, উখ্রুলনা ১৩, সিংহাটনা ২, ককচীংনা ২২, সেনাপতিনা ৪, শুগুনা ১১ মৈ চাকপা থৌদোক মায়োক্লখি হায়রি।

# মণিপুর গিতা মন্দল রবিবার সৎ সঙ্গ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএনএস): মমাঙগী কুমজা ২০২০গী মার্চ ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎতগী মতম শাংনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মণিপুর গিতা মন্দলনা চহী লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাকপা থৌরম পূম্নমক লেপ্পুরবা মতুং থা অসিগী ২ ইরাই নুমিৎতা শ্রীশ্রী কৃষ্ণচন্দ্র ভগবান অমদি শ্রীশ্রী লক্ষ্মি নরায়ন ভগবান অনীগী মহাস্নান পাঙথোকচবগা ইরোয়নননা থা অসিগী ৭তগী মহৌশাগুম মন্দল অসিগী ওইবা রবিবার সৎ সঙ্গ নুংথিল পুং ২দগী পাঙথোকপা হৌরে হায়রি।

মরম অসিনা ইম্ফালগী পাওনা কৈথেলদা লৈবা মণিপুর গিতা মন্দল অসিগী সেক্রেটরি এ জয়েন্তকুমারনা থোরকপা চেরোল অমদা মতম শাংনা সৎ সঙ্গ পাঙথোকচবা ঙমজখিদবগীদমক ঙাকপীনবা হায়জরক্লি।

# মরম চাদনা গাড়ীগী অতোংমল হেনগৎপা য়ারোই : লেৱা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএনএস): মরম চাদনা গাড়ীগী অতোংমল হেনগৎপনা মণিপুর মীয়ামদা খম থেংনা ৱানবগা লোয়নননা পেন্নদ্রে হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা) গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, গাড়ী তোংবা মীওইশিংগা গাড়ীগী কাঙবুগা মফম অয়াম্বদা খৎন-চৈনবা তোয়না থোক্লে। মরমশিং অসি মণিপুর ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমদা অনৌবা গাড়ীগী অতোংমলগী ওর্দর অমা থোকপীয়ু অমদি হৌজিক চথুরিবা মণিপুর এসেম্বলিমীফম অসিদা খন্নবীয়ু। কোরোনাগী চৈথেং ফংলিঙৈ চৈরক্তা গাড়ীগী ভারানা অমুক চৈথেং পীরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীনবা আপিল তৌরক্লি।

# পুলিসনা লুপা ২৯,৪০০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তনা থোরকপা মীওইশিং পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথুবদা মীওই ২২৫ রোম ফাগৎতুনা দিটেন তৌখ্রে।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লেপ্তুনা চথুরকপা দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা ঙসি য়ূমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, মীয়াম পূনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা মীওই ২২৫ ফাগৎখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা পুলিসনা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ২৯,৪০০ ফাইন ওইনসু খোমগৎখি হায়রি। পুলিসনা ফাগৎখিবা মীওই ২২৫ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ৯, থৌবাল পুলিসনা ১৬৬, ককচীং পুলিসনা ২৬, বিষ্ণুপুর পুলিসনা ৪, চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ২০নি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

### ইম্ফাল ময়োলদা হৌজিক ওইরিবা ট্রাফিক ফীভম অসিদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংঈ



মতম অমদা কোঙ্গ্রেস লৈঙাক্না পাল্লিঙৈ মতমদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ, বন্দ, ৱাকৎ মীফম, মতম শাংনা তৌখি হায়বা মীয়াম্না খঙনৈ। অৱাবসু নুংঙাইবসু কয়া থেংনখি। অদুবু ঙসিদি কোঙ্গ্রেসকী নাকেন্থা ওইখিবনা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্না চহী ৪ মপুং মরৈ ফানা হৌরবা উপান্বী অমগুম হায়না হুম্না পাল্লি। মতমদুগী বন্দ অমদি ইকোনোমিক ব্লোকেদতি হল্লকখিদ্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মতাং অসিদা হায়জ নিংবা ৱাফমদি ইম্ফাল ময়োলদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা লম্বীশিং অয়াম্বনা অদুক্কী মতিক চিনবা হেনগৎলক্লি। অমরোমদা মণিপুর লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা থৌরম পাঙথোকপদা লম্বী থিংজিনবা হেক-হেক থেংনরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীরিবা অসি। ফেব্রুৱারী থা অসিমসু এসেম্বলি সেসন লৈবনা লম্বীগী অহোংবা লৈহনবদগী মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা অৱাবা ওইরি। খুদিংমক অসি খরদং ওইরবসু কোকননবা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা কুপ্না য়েংশিনবিবা চঙই। অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা মাল পুবা ট্রকশিং চঙহনদবা, তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী থৌরম লৈরবসু সিক্যুরিটি অমদি ট্রাফিককী মপাঙ্গল খরা হেনগৎলগা পাঙথোকপীয়ু।

❒ ৱাংখেরাকপম মায়পাক, নোংমৈবুং পুং মখোঙ

## গাড়ি পার্কিংগী মতাং অসিদি ঐ ভাপ তাদে নঙ ভাপ তউ হায়বগী ফীভদা লৈরে হায়বা য়াই



কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা খুন্তাক লানশিবগুম্না লৈরুরবা ইম্ফাল সিটি অসি কোভিদ লায়না লাইচৎ খরা ফরকপদগী হান্নগী ফীভমদা লাক্লে। বাজার মনুং মীগী মশিং অমদি ইঞ্জিন পানবা গাড়িগী মশিং হেনগৎলক্তুনা খোঙনা চৎপদা চৎফম লৈরক্তরে। হৌখিবা নুমীৎ খরনীগী মমাংদা অদুমক হাংদোকপা য়ারবা ইমা কৈথেল ঙসিদি থেংলবসু থেংনা অমুক হন্না হাংগদৌরে। তশেংনা ইমা কৈথেল হাংলক্লিবা অসি অমরোমদা য়াম্না ফৈ।কৈথেল অসিদগী ইমা-ইবেল কয়াগী য়ূম পুজরম্বা অদু কৈথেল হেক থিংজিনখিবদগী ঙসি ফাওবা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। অদুবু ইমা কৈথেল অসি হাংলবসু হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ মপুং ফানা লমদম অসিদগী চৎখিবা হায়বদু ওইদ্রিবা মরম্না কোভিদ-১৯ এস ও পিশিং অদুমক ঙাক্না কৈথেল হাংবনা ফগনি। কৈথেল ফল্লিবশিংসু মাস্ক উপহনবা অমদি পোৎচৈ লৈবা লাক্কদৌরিবা মীওইশিংসু মাস্ক উপতুনা পোৎচৈ লৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়নননা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ইম্ফাল মনুংগী লম্বীগী মতাইদা গাড়ি কয়া খামহল্লিবা অসি অথুবা মতমদা অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎহনবিদুনা গাড়ি খামহন্দ্রবদি খরা কোমনা লম্বী চৎপা ঙমগনি।

❒ এল ইবোমচা, তাউথোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০২।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা;
ৱাকচিংগী ২৯নি পানবা।

মেষ : নীংবা থুংনা থবক পাংবা ঙমজগনি। লন চাওখৎপদা নত্তনা মীয়ামগী মতেং ফংজৌ হায়বসু লৈ। হে শিংবদি ৱাৎলি-মীতোপ লোয়নবা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : য়েক্লববু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি, হকচাং নুংঙাইগনি অমদি মীয়ামগসু নুংশিনগনি। নঙগী ওইবা মীগদি মরী ফরোই-অদুনা নাপল থাদোক্না চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা ফংবা অমদি থৌরম য়াৎপা হৈবনা মায় পাকচগনি। অফবা মরুপকী মতেং ফংজগনি। ঙক কল্লদি য়েংথিনরক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইজবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা অমদি লাই গুরুনা থোইনা চানবীবা নুমিৎনি। পাউসু নুংঙাইবা তাজগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : মীচং ৱাৎতবা, অনীংবা থৌরমসু পাংবা ঙমজবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াবা নুমিৎনি। মীতোপ থাজরদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কন্যা : মতম মাঙবনা হেনগনি অমদি খোইরাং-খোইশাওবা লৈগনি। হান্নদগী পাংলকপা থৌ নত্তনা অনৌবা পাংগনু অমদি নাইতোম ৱারেপসু লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা তাবদং ওইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, অরং অরাক লৌবা য়াগনি অমদি চাদিং হন্থবা ঙমজগনি। য়েৎনবা মরম অমদি অহেনবা তানবগী লম্‌দদি অখঙ অহৈ তান্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরুরদি মরী ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : অঙম্বনা চানবীগনি, অফবা মফম ফংজগনি অমদি য়েৎনরম্বা কোকচবগী নুংঙাইবা লৈ। থেংলপ্না ওইজ-ওইথক ফংগনি। মহু চাওবনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : মীয়মগী মতেং ফংবা অমদি য়েক্লবা লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। অদুবু নাইতোম ৱারেপ লৌদবা ফৈ। নথক থোংবনা নচাক-নরলদা মীতাই-নোল্লুক্না লৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙহল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর : হরাওবা নুংঙাইবা অমদি অনৌবা থৌরমদা পূক্নিং চংবা ঙম্বা নুমিৎনি। অদুবু অঙম অথৌনা চৈবিবা য়াবা লৈ-শাজৎ হৈয়ু অমদি য়েৎনবা পামগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইনা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

কুম্বা : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি খুরৌ থাংবগুম মঙম শান্দবা লৈগনি। খাংবা কল্লু অমদি তহা তহাগনু-মায়থীগদৌবগী শরুক তপ্পনা ফৈ। মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : শেল-থুমগী লম্‌দা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি খুৎচাও থাবা য়াবা নুমিৎনি। অয়াম্বা লম্‌দা মায় পাক্কনি, খুদক্কী ৱারেপ লৌবসু কাইরোই। লন চংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।